হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Readable

The messenger of the masses

মচা চনু, কক্চীং লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা শক্লইরবা লীলা ইবা এন কালিমোহোনদা মহাক্লা তৌখিবশিং শকখঙবা ওইনা খুদোল তন্বগী শক্তম

শুমাঙ লীলাদা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখ্রবা সগোলশেম সনানা ইবা *মিস ৱার্ল্দ* অমসুং *ইমাতোনগী ভেন্দর* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ফোঙবগী থৌরম

এন্দিং এইদস টুগেদর হায়বা থিমদা মণিপুরদা পাঙথোক্লখিবা ইন্টরনেসনল এইদস কেন্দল লাইট মেমোরিএল দেগী থৌরমদা মীয়াম্না মৈরা কৎনবগী শক্তম

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা বি টি রোদতা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এন্টি টেররিজম দে থৌরমগী শক্তম

TI-TERRORISM DAY
21st May, 2017
Pradesh Congress Committee

Vol. 41, Issue No.058 | নিংথৌকাবা, কালেন ২৬ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, May 22, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

চঙজরক্লবা লালহৌবশিংগী খুৎলায় পায়দবা বট্টালিয়ন অমা হাংদোকপা য়াখ্রে

দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ শাংদোকখ্রে, ময়াংদা এ জি হাপ্পগী ৱাথোক লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চের লৌদুনা ঙসি নুংথিল ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা খুৎলায় থাদোক্তুনা লৈঙাক্তা চঙজরক্লবা কাদরশিংগী শেমদোক-শাদোক্লবা সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসন পোলিসি অয়াবা পীখ্রে।

কেবিনেট মীফমগী মতাংদা লৈঙাক্লা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অনৌবা সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসন পোলিসি অসিগী মতুংইন্না খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা লালহৌবশিংদা হান্না ৱান টাইম ফাইনান্সিএল গ্রান্ট ওইনা লুপা লাখ ২.৫ পীরম্বা অদু হৌজিক লুপা লাখ ৪ দা হেনগৎলগনি। মসিগীসু মথক্তা চঙজরক্লবা কাদরশিংদা চহী ৩ চুপ্পা থা খুদিংগী লুপা ৮০০০ পীরগনি। হায়রিবা শেনফম অসি মখোয়গী রাসন মনিগী শেনফম লুপা ২০০০ হাপ্লবা তুংদনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চঙজরক্লবা লালহৌবগী কাদরশিং অদুনা রিহেবিলিটেসন কেম্পতা লৈরিঙৈ মনুংদা করিগুম্বা অনা-অয়েক য়াওরক্লবদি চাদা ৭৫ ফাওবা মেদিকেল রিইম্বর্সমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীবা য়াখ্রে। মসিগীসু মথক্তা ফিজিকেল্লি ফিট ওইরবদি মখোয়বু চহী অমসুং মহৈগী থাক কোমথোক্লগা সিক্যুরিটি ফোর্সতা থবক চঙহনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবশিংগী খুৎলায় পায়দবা বট্টালিয়ন অমা হাংদোকপগী অয়াবসু ঙসিগী কেবিনেটনা পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী লিগেল এদভাইজরসু ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট এন কুমারজিৎপু এদভোকেট জেনরেল হাপ্লনবা ঙসিগী কেবিনেট মীফমনা রেকমেন্দ তৌখ্রে। লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিনা ফম অসি ময়াংদা হাপ্পা য়ারোই হায়বা ৱাথোক লোইশিলহল্লে হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

পুন্নমক অসিগী মথক্তা মিদিয়া এদভাইজর অমসুং কোওর্দিনেটর অমা হাপ্লগনি। অদুমকপু ফম অনী অসি কনা পায়হনগদবনো হায়বদুদি লৈঙাক্কী চেরোল অসিদা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চুড়াচান্দপুরগী ঈরাংদা লৈখিদ্রবা মীওই ৮ অমসুং কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩১ দা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পদা শোকপদগী শোয়নাইবা পুন্সি মরেলদা হিংহল্লবা মীওই ৯ গী নক্লবা ইমুংগী মীওই অমমম্দা ষ্টেট রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী গ্রেদ ৩/৪ গী পোষ্টতা থবক হাপ্লবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

মসিগীসু মথক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ৮ দা লুপা লাখ ৫/৫ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীগনি হায়না মমাঙদা লাউথোকখিবা অদু অতোপ্পা লুপা লাখ ৫/৫ গী অহেনবা শেনফমশিং মখোয়গা নক্লবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা ফাইনান্সিএল ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মচং ওইবা ৱা

- ♦ চঙজরক্লবা লালহৌবশিংদা ৱান টাইম গ্রান্ট ওইনা পীরম্বা লুপা লাখ ২.৫গী শেনফম লাখ ৪ দা হেনগৎলগনি।
- ♦ চঙজরক্লবশিংদা চহী ৩ চুপ্পা থা খুদিংগী লুপা ৮০০০ পীরগনি।
- ♦ চঙজরক্লবশিংনা চাদা ৭৫ ফাওবা মেদিকেল রিইম্বর্সমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৈগনি।
- ♦ ফিজিকেল ফিট ওইরবদি চহী অমসুং মহৈগী থাক কোমথোক্লগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা থবক চঙহনগনি।
- ♦ সরেন্দর তৌরক্লবশিংগী খুৎলায় পায়দবা বট্টালিয়ন অমা হাংদোকপগী অয়াবা পীরে।
- ♦ চীফ মিনিষ্টরগী মিদিয়া এদভাইজর অমসুং কোওর্দিনেটর অমা হাপ্লগনি।
- ♦ সিনিয়র এদভোকেট এন কুমারজিৎপু এদভোকেট জেনরেল হাপ্পা য়ারে।
- ♦ চুড়াচান্দপুরগী ঈরাংদা লৈখিদ্রবা মীওই ৮ অমসুং অশোকপা মীওই ৯গী মরী লৈনবশিংদা লৈঙাক্কী থবক পীবা য়াখ্রে।
- ♦ দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ শাংদোকপদা অয়াবা পীরে।

জপাননা হীরম কয়াদা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরল্লে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াদা জপানগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা হিজ এক্সলেন্সি কেঞ্জি হিরামাটসুনা মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ট্রাইব এরিয়াশিংদা লম্বী-থোং, টুরিজম, লোক্তাক পাৎ শেংবা, স্কুল এদ্যুকেসন, সেনিটেসন অমদি সিৱরেজ সিষ্টেমনচিংবা শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

জপানিজ এম্বেসেদরনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনবদা জপাননা ইন্দিয়াগা, মরুওইনা মণিপুরগা থম্নরিবা মরী ফগৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

জপাননা ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা মখল অমগী থবক লৌখৎপা মতমদা মপুং ফানা মতেং পাংবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনসু থাজবা পীখি। জপানিজ এম্বেসেদর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি জপানদা থবক তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহনবা য়াওনা জপান অমদি মণিপুরগী মরক্তা মতেং পাংনবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরদা জপানিজ লোল তম্নবগী কোর্স হাংদোক্লবা ৱাফম হৌদোকপদা হিজ এক্সলেন্সি কেঞ্জি হিরামাটসুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা তাকপী-তম্বীনবগী ওজা অমদি তম্বদা চঙগদবা মচাক-মথুমশিং ষ্টেট অসিদা পীরকপা য়াব্রা য়েংগে হায়না ফোঙদোক্লমখি।

হন্দক্তা য়ুমলোন্নরিবা মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী মরক্তা থম্নবা মরী ফগৎলকপগী ফীভম উবদা জপানিজ এম্বেসেদরনা অপেনবা অমসুং হরাওবা ফোঙদোকখি হায়রি।

লুচিংবা অনী উনখিবা অদুদা ইম্ফালগী মরুওইবা মফম অয়াম্বা ট্রাফিক জাম থোকপগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা মতৌ করম্না মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনদা খুদোংচাহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ৱারী শানখি হায়রি। খুদম ওইনা, তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

<table>
<tr><td colspan="3">অ ঈং-অশাগী পাউ</td></tr>
<tr><td>মফম</td><td>খ্বাইদগী শাবা</td><td>খ্বাইদগী ঈংবা</td></tr>
<tr><td>বিষ্ণুপুর</td><td>এন এ °C</td><td>এন এ °C</td></tr>
<tr><td>চান্দেল</td><td>৩৪.৪০ °C</td><td>২৩.৬০ °C</td></tr>
<tr><td>সীসীপুর</td><td>২৭.৪৫ °C</td><td>২০.০২ °C</td></tr>
<tr><td>ইম্ফাল</td><td>২৭.৪৮ °C</td><td>১৯.৮৬ °C</td></tr>
<tr><td>সেনাপতি</td><td>২৫.৮৬ °C</td><td>১৯.২১ °C</td></tr>
<tr><td>তমেংলোং</td><td>২৭.৮৮ °C</td><td>২১.৯০ °C</td></tr>
<tr><td>থৌবাল</td><td>এন এ °C</td><td>এন এ °C</td></tr>
<tr><td>উখ্রুল</td><td>২১.৪৬ °C</td><td>১৫.৩৪ °C</td></tr>
<tr><td>মণিপুর</td><td>৩৪.৪০ °C</td><td>১৫.৩৪ °C</td></tr>
</table>

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.১৩ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৪

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

থৌবাল বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ : মণিপুর তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮গী ভোটর লাখ ২.৫ রোমগী য়েংবীরগা রাজ্য সভাগী বাই ইলেক্সনদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীহুৎ অমা নোমিনেট তৌবীনবা দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ২৩গী অহিং নোংয়াইদগী ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম শীনবা থুংনা বন্দ তৌগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এম পি কেন্দিদেচর দিমান্দ কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মসিগা ইরোয়ননা থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কৈথেলশিংদা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি। বন্দ অসিদা ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং কোমথোক্লনি হায়রি।

নুংশিবীগা কোয়রুবা নুপা অমা শিরে

ইম্ফাল, মে ২১ : নুংশিনবী নুপী অমগা চৎমিন্নখিবা পাখঙ অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা খুমন লম্পাক্তা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা পাখঙ অদুগী মমিংনা থিংবাইজম রামানন্দ (২৫) অপোকপা টি ঐচ ইঙোচা কৌই। মহাক লম্লোঙ্গৈ মনিং লৈকায়দগীনি হায়রি। ইমুং-মনুংগী মীওইনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৯ দা মারুটি ৮০০ অমা ৱাইরগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	72.414184
US Dollar	64.630379
British Pound	84.233931
Australian Dollar	48.206759
Chinese Yuan Renminbi	9.388449
Japanese Yen	0.581149
Malaysian Ringgit	14.945660
Nepalese Rupee	0.625917
Russian Ruble	1.133544
Singapore Dollar	46.680092
South Korean Won	0.057812
Thai Baht	1.882376
Myanmar Kyat	0.04724
Bangladesh Taka	0.80062

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	29529.41
Mumbai	–	Rs	30171.12
Delhi	–	Rs	30481.28
Kolkata	–	Rs	30064.17

HL POLL

Q : Law & Order gee fibam fagatle hairaga AFSPA louthokpa ngamdribasi Centregi yaka yengbagi nattra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Suspension of Operation (SoO) mai paktre haiba Chief Minister N Biren gi wafam asi yaningbra?

Yes 87% No 13%

অস! লোইরেহে!

ওজা ইন্সপেক্সন লাকচরিয়ে...!



ইন্সপেক্সন লাকপীবগী মহুৎতা অঙাং থাবীরকউ তাকথজগে...!

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা অথুবদা উবা ফংলগনি : সুনিল গুপ্ত

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা উবা ফংলগনি হায়না ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘগী নেসনল প্রসিদেন্ট সুনিল গুপ্তনা ঙসি ক্লাসিক হোটেল নোর্থ এ ও সীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘ মণিপুর ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘগী নেসনল প্রসিদেন্ট সুনিল গুপ্তনা হায়খি, শান্ন-খোৎনবগী লম্দা খুমাঙ চাউশিনহন্নবা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘনা হোৎনদুনা লাক্লি। অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে। মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লমদম অমনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শানবগীদমক লুপা ক্রোর ১০০০ কায়থোকখ্রবনি। ষ্টেটসিদা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্কী মতমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা ঙল্লমদ্রে। হৌজিক বি জে পি য়াওবা লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা লাক্লে। মণিপুরদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শোয়দনা উবা ফংলগনি। শান্নরোয়শিংবু শেমগৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা তঙাইফদে। ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘনা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা চাউখৎনবা অমদি মহৈ-মশিনগী লম্দসু খুমাঙ চাউশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি দিনেস উপধ্যায়না হায়খি, শান্ন-খোৎনবগী লম্দদি কাঙলূপ, ফুরুপকী ওইবা ৱাফম লৈতে। য়াম্না পূকচেল শেংবা অশেংবা মশক অমা শান্ন-খোৎনবদা উবা ফংলি। শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মাঙজিল থাবা লমদম অমা ওইবা ঙম্নবগীদমক হোৎনমিন্নসি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘগী এগজিক্যুটিব মেম্বর মহেন্দ্র শর্ম্মা, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি আর দি এন্দ পি আর, ঐচ দিঙ্গো, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজম অমদি ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্ঘ মণিপুরগী কনভিনর কোইজম রামকৃষ্ণসু দেজদা ফমখি।

হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী অনৌবা ত্রান্সফর এন্দ পোষ্টিং পোলিসি শেম্লগনি : হেল্ঠ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্ঠ দিপার্টমেন্টগী মখাদা থবক তৌরিবা দাক্তরশিং অমদি ষ্টাফশিংগী মথৌ পাঙথোকপগী থবকশিং ষ্ট্রিমলাইন তৌনবগীদমক অনৌবা ত্রান্সফর এন্দ পোষ্টিং পোলিসি অমা অথুবদা শেমদুনা চৎনহল্লগনি হায়না হেল্ঠ মিনিষ্টর এল. জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

উখুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী দাক্তরশিং অমসুং ষ্টাফশিংগা চথখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংলদুনা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পোষ্টিং পীদুনা থবক তৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিংগী ইন্সেন্টিব স্কীম অমা হৌদোক্লগনি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না অনা লায়েংগী থবক্তা খুদোংচাহন্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা ফ্লাইং দাক্তর কয়া মথৌ তারি। ষ্টেট অসিদা নৌনা লাক্লিবা লৈঙাক অসিনা অনা লায়েংগী লমদা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলক্লিবা থৌশিলশিং অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা থবক তৌরিবা খুদিংমক্লা খঙবা মথৌ তাই।

ষ্টেট অসিগী ওইনা হাংদুনা লৈরিবা দাক্তরগী পোষ্টশিং মেনশিন্নবগীদমক মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন্না রিক্রুইট তৌবগী থবকশিং পাঙথোক্লগনি। মীয়াম অমদি অনা লায়েংশঙশিংদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংনা অনা লায়েংশঙশিং নীংথিনা থম্নবা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাঙবীয়ু। অনা লায়েংশঙশিংগী মথৌ তাবা মচাক মথুমশিং মতম চানা মেনশিন্নবনা হোৎনগনি অমদি অনা লায়েংশঙশিংদা মথৌ তারিবা ষ্টাফশিংগী য়াইফনবসু হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

তুংদা হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

কা হেনবা লীচৎ চৎপশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি : ও ইবোবী

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

কা হেনবা লীচৎ চৎপশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি, ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না এক্স চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি সী সীনা শীন্দুনা কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা রজিব গান্ধী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম অদুগী হৌরকপদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ অমদি মণিপুরগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি লীদর ও ইবোবীনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীগী শক্তমদা লৈশু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুদা তিনখিবশিংনা এন্টি টেররিজম দেগী ৱাশকসু লৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধীবু হাৎখিবা নুমিৎ অসিদা এন্টি টেররিজম দে হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। লাইবক থীবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধী লৈখিদবনি। মহাক্লা লৈখিদবা থৌদোক অদুদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লখি। কা হেনবা থবকশিংনা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙল্লোই। ঐখোয়না কা হেনবা থবকশিংগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। ঈং-তপ্পা, নুংঙাইয়াইফবা লমদম অমা ওইনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিব গান্ধীনা লৈখিদবা নুমিৎ অসি এন্টি টেররিজম দে হায়না লৈবাক শীনবা থুংনা থৌরম পাঙথোক্লরি। নুমিৎ অসি ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী নুমিৎ হায়নসু থৌরম পাঙথোকহন্নীংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এশিং, এম পি সী সীগী থৌপুবশিং, ফ্রন্টেল অমসুং সেলশিংগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

উখ্রুলদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা স্কুলশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্কুল কয়াদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

স্কুল য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়খি, সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ানগী চৎনকাঙলোনশিং ঙাক্লা স্কুল শাবগী থবক তৌগদবনি। এস এস এ অমদি ঈ জি এসকী মখাদা শাবা স্কুলশিং কাঙলোন কায়না শারবদি এক্সন লৌখৎকনি। গ্লোবেল পোজিসনিং সিষ্টেমগী মখাদা য়েংবদা ঈ জি এসকী লৈফম থোকপা থেংনখি। এস এস এগী মখাদা কুমজা ২০১৬ তা শাবা লোইশিনখ্রবা স্কুলশিং অদু নীংথিনা চল্লাইরমদবা থেংনখি।

অরাপ্পগী ৱাংমদা স্কুল শারম্বা থেংনখি। মায়োতাং প্রাইমারী স্কুল, ঈ জি এস অপগ্রেদ তৌবা স্কুল অসি মায়োতাং এরিয়াদা শাবগী মহুৎতা লোংথাং, হুন্দুং ভিলেজদা শারম্বা থেংনখি। খারাফুং প্রাইমারী স্কুলসু য়াম্না ঙম্বা চীংদা শারম্বা

কাজ্রিপুং হায় স্কুলদসু চৎতুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা স্কুল অদুগী বাউন্দরিদা লম খোপচিল্লকপা থেংনখি। স্কুল হায়বসি অঙাংশিংগী ৱাখল-লৌশিং তম্বীগদবা মফমনি। তুংগীদমক অমদি খুন্নাইগীদমক খল্লগা অসিগুম্বা মফম অসি নীংথিনা ঙাক শেনবা তঙাইফদে। স্কুলগী অকোয়বদা অসিগুম্বা পামদবা থবকশিং অসি তৌরকপা থিংনবা লুচিংবশিংনা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাফমসু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

থাও থিবগী থবক খুদক্তা লেপকদবনি : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খায়দেম লৌকোলদা এসিয়ন ওইল ফিল্ড সর্ভিস লিমিটেদনা ওইল এক্সপ্লোরেসন সর্ভে চথরিবা অসি খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস মণিপুর, খাঙবোক দিভলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, সোসল এন্দ য়ুথ প্রোগেসিব ওর্গনাইজেসন হৈরোক অমসুং হ্যুমেন রাইটস ফোরমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন মরি অসিনা পুন্না শীল্লগা ঙসি কোনুং মমাংদা লৈবা য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোরম অসিগী ইগজিক্যুটিব মেম্বর টি সদিসকান্ত শর্ম্মনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ওথোরাইজ তৌরবা ওইল কম্পনিশিংনা খায়দেম লৌকোলদা চহী অসিগী মে ১০ দগী ওইল এক্সপ্লোরেসন সর্ভে চথবা হৌরকখি। হায়রিবা ওইল এক্সপ্লোরেসন সর্ভে অসি চথদ্রিঙৈগী মমাংদা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী অয়াবা লৌখিবা লৈতে অমদি পাউ পীরমখিবসু লৈতে। মসিদসু নত্তনা ওইল এক্সপ্লোরেসন সর্ভে অসিগা মরী লৈননা ইনভাইরোনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট (ঈ আই এ) অমসুং সোসল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট চথখিবগী মতিক চাবা চে-চাং অমত্তসু পায়বা লৈতে। মরম অসিনা এসিয়ন ওইল ফিল্ড সর্ভিস লিমিটেদনা চথরিবা থাও থিবগী থবক অসি অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই।

ওইল এক্সপ্লোরেসন সর্ভে অসিগা মরী লৈননা মাইন বোমশিং পোকখায়হনবা অমসুং বোম পোকখায়হনখিবগী হু চেল্লবা ফত্তবা পোৎশকশিং মনাক নকপদা লৈবা ঈশিংগী খোঙ অমদি লৌ উবা য়াবা মফমশিংদা চায়থোক্তুনা থম্বনা খায়দেম লৌকোল অমদি মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা চাউনা মীপাইনিংঙাই ওইহল্লি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা তরাম্না ওকই। অদুম্মকপু মীচম মীয়ামদা অমদি মহৌশাগী খলদা কায়হল্লক্কদবা থবকশিং তৌরকপগী মায়োক্তদি ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। লমদম অসিদা চাউখৎপা পুরক্লবা অমদি নহাশিংদা থবক ফঙহন্নবগী পান্দমদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

Visit & Welcome
ENTRY FREE
Spot Admission for MBBS/BDS/ MD/MS

3rd Gateway Abroad International Education Expo 2017

At Nupi Lal Memorial Complex

NH39, Sanakhwa Yaima Kollup, Imphal-795001, Manipur

On 20th, 21st & 22nd May, 2017

Organised by : A.S. EDUCATION TRUST & Parents Association of Manipuri International Students

Website : www.ashet.com Contact : 9856363129

HL-P/0729/19,20,21,22/05

LOAN AVAILABLE

- মখল খুদিংগী অপাম্বা 2, 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/1593/14 May-14 June

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫